HUEIYEN LANPAO

# হুইয়েন লানপাউ



কোওর্দিনেটিং কম্মিটি ওন দিষ্টর্বেন্স ফ্রী ওন এদ্যুকেসনেল জোন দিমান্দগী কেম্পেয্ন মনুং চন্না কুম্বী সন্দোং প্রাইমারি স্কুলগী মহৈরোয় ৪০০ হেনবনা খোঙজং চঙশিনখিবা

ষ্ট্রিট কোর্নর মীটিং অমদি পোষ্টর কেম্পেয্ন পাঙথোকখ্রে
☛ লামায় ২

ৱর্ল্ড মীতৈ কাউন্সিলনা শেন্নরি
লামায় ৩

হিদাক মনা চাবদগী কেন্সরনা নাবা মীওই মশিং হেনগৎলক্লি
☛ লামায় ৫

‘হ্যুমেন রাইটস এক্টিভিষ্ট তিষ্টা সেতালবাদ অথুবদা থাদোক্কদবনি’
☛ লামায় ৬

জুন ১৫দগী নিলকুথিগী অর্বান হটতা চথরকখিবা ষ্টেট হেন্দলুম এক্সপো ২০২২-২৩দা শরুক য়াখিবশিংবু সর্টিফিকেট খূৎশিন্নদুনা ইকায়খুম্নবা উৎলগা পূক্নিং থৌগৎপা



Vol. 46, Issue No. 094 | য়ূমশকৈশা, ইঙাগী থাশু | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Wednesday, June 29, 2022, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00

### হেন্দলুম এক্সপো

ইম্ফাল, জুন ২৮ (ঐচএনএস) : থা অসিগী ১৫দগী হৌরকখিবা মিনিষ্ট্রি ওফ টেক্সটাইলসকী দিভেলপমেন্ট কম্মিস্নর ফোর হেন্দলুমসকী মখাদা মণিপুর এপেক্স হেন্দলুম ৱিভরস এন্দ হেন্দিক্রাফ্টস আর্টিসান্স কোওপরেটিভ সোসাইটি, পাওনা কৈথেলনা শীন্দুনা নিলকুথিগী অর্বান হটকী ষ্টেট হেন্দলুম ...মখা লামায় ৩ কলম ২

### এম এন ০৬/এল এক্স

ইম্ফাল, জুন ২৮ (ঐচএনএস) : ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা লাইট মোটোর ভেহিকলশিংদা পীরকপা রেজিষ্ট্রেসন মার্ককী কোদ নম্বর এম এন ০৬/এল বি লোইথোকখিবনা মরম ওইরদুনা খুদক্কী এম এন ০৬/এল এক্সকী অনৌবা সেরিজ শীজিন্নরগনি হায়না দি টি ওনা ফোঙদোরক্লি।

### বন্দ হন্দোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৮ (ঐচএনএস) : দ্রাইভর এসোসিএসন তমেংলোং অমসুং দিষ্ট্রিক্ট অসিগী টেক্সি ওরনর্স এসোসিএসননা তমেংলোং-খোংশাং লন্থীদা পায়খৎলিবা দবললেন্দ ওইহন্নবগী থবক্তা পেন্দবদগী মতম কক্তনা চথরকখিবা বন্দগী খোঙজং অদু ঙসি অয়ূক পুং ৬তগী নুমিৎ হুমনিগী ওইনা হন্দোক্লে হায়রি।

### স্পোট ইনক্কারি

ইম্ফাল, জুন ২৮ (ঐচএনএস) : ইম্ফাল ইষ্টকী সব দেপ্যুটি কলেক্টর (তুলিহল) না ঙসি থোকপা নোটিস অমগী মতুংইন্না থা অসিগী ২৯গী অয়ূক পুং ৯দা কোর্ট অসিগী ফিল্ড ষ্টাফশিংনা অজাদ গোলাইদগীনা কৈথেলমানবী রোদ ফাওবগী মনুংদা লৈবা লম্বীগী নাকল অনীদা স্পোট ইনক্কারি পাঙথোক্লগনি হায়রি।

### হিরোইন নম্বর ফোর

ইম্ফাল, জুন ২৮ (ঐচএনএস) : ঙসি নুংথিল পুং ১ রোম তারকপদা ককচীংগী কম্মান্দো পর্সনেলশিংনা লৈ মনাই চীংজিন সী দি ও চ্যেক পোষ্টতা পল্লেল লোমদগী লাকপা মারুট জিপসি অমা খামদুনা চ্যেক তৌবদা সাপোন কেপ ৫০দা হাপ্লগা গাড়ীগী চেসিসতা লোৎশিল্লগা পুরকখিবা হিরোইন নম্বর ফোর ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

# পব্লিক ৱার্ক্স দিপার্টমেন্ট লিননা মখুন চঙলমদাইদা চুমথোরক্লে

## ভিজিলেন্স য়ৌনা ৱাফংনরকপদগী শুংলৈ লৈতবা মীওই অরৈবা ষ্টাফ অমগা অমত্তা ওইরল্লে হায়রক্লে

ইম্ফাল, জুন ২৮ (ঐচএনএস) : ঙসিদগীনা থা ৭ লোমগী মমাঙ দিসেম্বর ৪, ২০২১দা ফোঙখিবা পাউচে অসিগী এদিসনদা ‘পব্লিক ৱার্ক্স দিপার্টমেন্টতা শুংলৈ লৈতবা ষ্টাফ অমগী মীংদা চহী ৪ রোমগী তোলোপ কায়থোকখ্রবরা অমসুং মশা লৈতবা মীংদা কায়থোকখিবা য়াম্লবা তোলোপকী শেনফম কদাইদা চৎখ্রবগে হংনরক্লে’ হায়বা হেদ লাইনগী মখাদা তৌখিবা রিপোর্টকা মরী লৈননা ৱাথোক অসিগী মতাংদা ভিজিলেন্স এন্দ এন্টি করপসন পুলিস ষ্টেসননা কেস নম্বর ২৭/ভি/এস পি-ভিজিলেন্স এন্দ এন্টি করপসন/২০২১ লৌখৎতুনা মরী লৈনবা ওফিসলশিং য়াওনা মীওই পুম্নমক ৱাফংনরবা মতুংদা মশা শুংলৈ লৈতে হায়খিবা অন্দ্রো ৱার্দ নম্বর ৩, খুমন লৈকায়দগী ‘সী ঐচ তুলচন্দ্র’ হায়রিবা মমিং অসি লোয়শঙ অসিদা মষ্টররোল এমপ্লোয়ী অমা ওইরিবা অন্দ্রো খুমন লৈকায়দগী লৈখিদ্রবা চীংঙাখম লোইতোগী মচানুপা কুল্লচন্দ্র (৪৯) গা অমত্তা ওইরল্লে হায়দুনা লিননা মখুন চঙলমদাইদা চুমথোরক্লে।

মশা লৈতে হায়খিবা ‘সী ঐচ তুলচন্দ্র’ গা মশা লৈদুনা থবক তৌরিবা ‘সী ঐচ কুল্লচন্দ্র’ গগী মরক্তা তোঙান তোঙানবা মীওই অমমম নত্তে। মমিং অনী থোক্না লৈখ্রিবা অসি সী ঐচ কুল্লচন্দ্র খক্তমক ওইগদবনি হায়বগী ওফিস মেমোরেন্দম অমা ঙরাং পি দব্লিয়ু দিগী ইম্ফাল ইষ্ট দিভিজনগী এগজিক্যুটিভ ইঞ্জিনিয়রনা থোক্তুনা খঙহনখ্রে।

ওফিস মেমোরেন্দম অদুদা ফোঙদোরক্লিবা ৱাফমশিংগী মনুংদা সী ঐচ তুলচন্দ্রনা ওথ কম্মিস্নর (জুদিসল), রেজিষ্টর নম্বর ৩৫১ ওফ ২০১৭ (ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট) না পীবা এফিদেভিটকী মতুংইন্না সী ঐচ কুল্লচন্দ্রগা সী ঐচ তুলচন্দ্রগা চপ মান্নবা মীওই অমখক্তমক ওইরল্লে হায়রি।

এফিদেভিট অদু ওগষ্ট ১, ২০১৭তা পীখিবনি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোক্লদুনা মশা ওইনা লৈতবা মীগী মমিং অসিগা মরী লৈননা হৌজিক্তি করিসু তৌনীংঙাই লৈত্রে হায়রদুনা লোয়শঙগী মায়কৈদগীদি চীংঙাখম কুল্লচন্দ্র ওইনা শকখঙদুনা রেকোর্দ তৌরে হায়খি।

লোয়ননা সী ঐচ কুল্লচন্দ্রনা অশেংবা অমসুং অমত্তা ঙাইরবা মমিং অমসুং মীশক ওইরগদবগা লোয়ননা মহাক পি দব্লিয়ু দিগী দিভিজন অসিগী মষ্টররোল (ওর্দিনরি) এমপ্লোয়ী ওইনা মহাক্কী খূৎশুমলশিং খুদক্কী ...মখা লামায় ৩ কলম ২

# ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী সেক্সন ওফিসর ৪ থবক্তগী লৌথোকখ্রে, ১ সস্পেন্দ তৌরে

ইম্ফাল, জুন ২৮ (ঐচএনএস) : ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন (আই এম সী) গী অপূনবা ৱার্দ ২৭কী মনুংদা ৯-থাংমৈবন্দ এসেম্ব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদা লৈরিবা ৱার্দশিংদা আই এম সীনা চথখিবা থবক থৌরমশিংদা অশোয়বা অরানবা কয়া য়াওরে হায়না এ সী অসিগী এম এল এ, কে ঐচ জয়কিষণনা পাউগী মীফমশিং থেঙ্খ্যাং নাইনা পাঙথোক্তুনা অচুম্বা অশেংবশিং ফোঙদোকখিবগা ইরোয়ননা আই এম সীগী মায়কৈদগী দিপার্টমেন্টেল ইনক্কারি কম্মিটি শেমদুনা চথরকখিবা থি-হুন্বগী থবক্তা অহোবা অশোয়বা কয়া লৈরম্বা থেংনবদগী লৌখৎফম থোকপা থবকশিং ওইনা কোর্পোরেসন অসিদা কন্ট্রেক্টুএল বেসিসদা এনগেজ তৌদুনা শীজিন্নরকখিবা সেক্সন ওফিসর গ্রেদ ৱান ৪ থবক্তগী লৌথোকখিবগা লোয়ননা সেক্সন ওফিসর গ্রেদ ৱান অমনা সর্ভিসতগী সস্পেন্দ তৌখ্রে।

দিসিপ্লিনরি প্রোসিদিং অমসুং দিপার্টমেন্টেল ইনক্কারি কম্মিটিনা থিজিল্লকপগী মতুংইন্না থবক্তগী লৌথোকখ্রবা সেক্সন ওফিসরশিং অদুদি থোঙ্গ্রাম দিপক, এম দি রিজৱান সৈখ, ৱাহেংবম বঙ্কিম অমসুং অহৈবম সুমিলানি। অদুগা সর্ভিসতগী সস্পেন্দ তৌখিবা এস ও গ্রেদ ৱাননা সকুন্তলা কামৈনি।

মখোয় মঙাগী মথক্তা লৌখৎখিবা এক্সনশিং অসিগা মরী লৈনবা ওর্দরশিংনা সকুন্তলা কামৈগীনা ঙরাং ম্যুনিসিপাল কম্মিস্নর টি ঐচ হরিকুমারনা থোকখ্রগা সর্ভিসতগী পুমলৌ ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

## ওফিসলশিংনা চৈ কাল্লগা ইভিক্সন তৌনবা হোৎনরুরব্রা

# থোঙাম মোন্দুম রিজার্ভ ফোরেষ্টতগী মীওই ৪৪১বু হায় কোর্টকী অয়াবা য়াওদনা ইভিক্সন তৌদনবা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৮ (ঐচএনএস) : হন্দক্তা লৈঙাক্না ৱাইথৌগী প্রোটেক্টেদ/রিজার্ভ ফোরেষ্টকী এরিয়ানি হায়বা মফমদা য়ূম-কৈ শাদুনা লৈশিল্লম্বা মীওইশিং পাট্টা পায়রম্বশিংগীনা পাট্টা ককথৎলগা এনক্রোচরশিংনি হায়দুনা ময়ূম-মকৈ থুদেক্তুনা তকখায়খিবদগী থোরক্লিবা ৱারু-নুংজু লোইশিন্দ্রিঙৈদা ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী ৱাঙু গ্রাম পঞ্চায়টকী মনুং চনবা থোঙাম মোন্দুম রিজার্ভ ফোরেষ্ট এরিয়ানি হায়বা মফমশিংদা লৈবা মীওই পূন্না ৪৪১গী ষ্ট্রকচরশিং ইভিক্সন তৌননবা হোৎনরুবদা হায় কোর্টতা ৱাকৎলকপদগী কোর্টকী অয়াবা য়াওদনা তকথোকপা য়ারোই খঙহল্লকপনা ইভিক্সনগী থবকশিং অদু মরী লৈনবা ওফিসলশিংনা চৈ কাল্লগা চথরুরব্রা হায়বগী ৱাহং থোরক্লে।

ৱাহং অসি খক্তা নত্তনা প্রোটেক্টেদ/রিজার্ভ ফোরেষ্টকী এরিয়া ওইরবসু হায়রিবা মফমশিং অসিদা ষ্ট্রকচরনচিংবা শাজিন্দুনা লৈরকপশিংবু হেক্তমক শো কোজ নোটিস পীরগা তকথোকপা য়াব্রা হায়বগী ৱাহংসু লোয়নরক্লে।

ৱাফমশিং অসিগা মরী লৈনবা কেস অমা ঙরাং হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী জষ্টিস অহন্থেম বিমোলগী ভেকেসন বেঞ্চনা লৌখৎতুনা খন্নখ্রে। কেস অদুগী নম্বর রিট পিটিসন (সিভিল) - ৪৫৭ ওফ ২০২২নি। রিট পিটিসন



অসি লোইতোংবম দেবেন কৌবা মীওই অমনা অতোপ্পা মীওই ১০গা পূনশিন্নদুনা পূন্না পিটিস্নর ১১ ওইমিন্নদুনা ফাইল তৌরকখিবনি। কেস অসি য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়াগী মরী লৈনবা মিনিষ্ট্রিগী ওফিসলশিং অমসুং মণিপুর লৈঙাক্কী ওফিসলশিংগী মথক্তা ফাইল তৌরকপনি।

মেট্টর অসি অথুবা মতমদা অকক্ননা লৌখৎতুনা ৱায়েল চথদবা য়ারক্তবদগী কেস অসিগী পার্টি পুম্নমক্কী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেলশিংগী অয়াবা মতুংইন্না ঙরাং বেঞ্চ অসিগী কোজ লিষ্টকী আইটেম নম্বর ৬তা লিষ্ট তৌদুনা লৌখৎখিবনি।

কোর্টনা মেট্টর অসি ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

# তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্ট ৫দা পোলোগ্রাউন্দ ১/১ শেমগৎলগনি : বিরেন



ইম্ফাল, জুন ২৮ (ঐচএনএস) : চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লম্ফেলপাৎ অমসুং পাঙ্গৈদা লৈরিবা পোনিগী ব্রিদিং গ্রাউন্দ অমসুং সেন্টরবু ঙসি হকথেংননা চৎতুনা য়েংশিনখিবগা লোয়ননা তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্ট মঙাদা পোলোগ্রাউন্দ অমমম শেমগৎলগনি হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা লম্ফেলপাৎতা লৈরিবা পোনিগী ব্রিদিং গ্রাউন্দ অসি মপূং ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

# কোংগ্রেসনা মায়থীবগী ইকায়বা খাঙনবা ঈরাং হৌরকপনি : বি জে পি



ইম্ফাল, জুন ২৮ (ঐচএনএস) : লৈঙাকসিনা দাইরেক্ট বেনিফিট ট্রান্সফর স্কিম (দি বি টি) হৌদোক্তুনা লায়রবা মীয়ামগী চাকথুং ১০০দা ১০০ য়ৌহনবা ঙম্লে হায়না নুমিৎ হুমনিগী খোঙচৎতা ইম্ফালদা লাকখিবা বি জে পিগী নেসনল জেনরেল সেক্রেটরি সিটি রবিনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি থন্বাল শঙলেনদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা মহাক্না হায়, আয়ুসমান ভারত, জল জিবন মিসন, স্বচ্ছ ভারত অভিয়ান, উজ্বালা স্কিম, প্রধান মন্ত্রি কিষান সমন নিধি স্কিমনচিংবা কয়া পায়খৎতুনা লায়রবা মীয়াম অমদি লৌমীশিংদা কান্নবা ফংহল্লে। লৈবাক অসিগী জি দি টি গ্রোথ রেট অসি ঙসিদি চাদা ৮.৭তা লৈদুনা শেন্মীৎলোন দা চাওনা খুমাঙ চাওশিনবা ঙম্লে। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী রিসোর্স পর্ফোর্মেন্স অমদি ট্রান্সফোর্মগী থবকশিংনা লৈবাক অসিগী মীয়াম্বু য়াইফহনবা মায়কৈদা পুরক্লি হায়খি।

অগ্নিপথ স্কিমগী মতাংদা কোংগ্রেসনা লান্না পাউথোক্লিবা অসি লাইবক থিবনি। হীরম খুদিংমক্তা য়েৎকনি অমসুং মদুগী মায়োক্তা লৈগনি হায়বগী লায়না অমা কোংগ্রেসতা নারে হায়রদুনা স্কিম অসিগী মতাংদা কোংগ্রেসনা লান্না পাউথোক্লিবা অসি অরানবনি হায়খি। ...মখা লামায় ৩ কলম ২

# চূড়াচান্দপুরগী মফম ৩দা লৈরম্বা নুপী অঙাং য়াওনা ম্যান্মার মচা ৮০ ফাগৎলে

## ফোরেন্নরস এক্টকী সেক্সন ১৪গী মখাদা কেস ১ লৌখৎলে



ইম্ফাল, জুন ২৮ (ঐচএনএস) : চূড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা মফম ৩দা লৈবাক অসিগা য়ূমলোন্নরিবা ম্যান্মারদগী লোগী অয়াবা য়াওদনা চঙশিল্লক্লগা মীওই কয়ামরুম লৈশিল্লে হায়বা পাউদগী ঙসি অয়ূক চূড়াচান্দপুর পুলিস ষ্টেসনগী ওফিসর ইন-চার্জ ইন্সপেক্টর এন ইঙোচা, ৱিমেন পুলিস ষ্টেসনগী ওফিসর ইন-চার্জ য়াওনা পুলিস পর্সনেল ৬০ রোম্না হায়রিবা মফমশিং অদুদা অয়ূক অঙনবা পুং ৫দগী হৌরদুনা ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

# মণিপুরসু মৈ চাং নাইনা পীবা ঙম্বা ষ্টেট অমা ওইরি : টি ঐচ বিশ্বাজিৎ

ইম্ফাল, জুন ২৮ (ঐচ এন এস) : লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈরিবা ষ্টেটশিংগী মনুংদা মৈ চাং নাইনা পীবা ঙম্বা ষ্টেট অসি মণিপুরনা ওইরি। মসি ষ্টেট অসিগী ওইনদি য়াম্না চাওথোকচনিঙাইনি হায়না পৱার মিনিষ্টর টি ঐচ বিশ্বাজিৎনা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর ষ্টেট পৱার দিষ্ট্রিব্যুসন কম্পনি লিমিটেদ (এম এস পি দি সী এল) না শিন্দুনা ঙসি চিংমৈরোংদা লৈবা হোটেল ক্লাসিক গ্রান্দেদা পাঙথোকখিবা নের্থ ইষ্টর্ন রিজনেল পৱার কম্মিটিগী ৪৫ রকশুবা কম্মর্সিয়ল কোওর্দিনেসন সবকম্মিটি মীটিংদা অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারোল পীরদুনা মিনিষ্টর বিস্বজিৎনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মখা তানা হায়, অৱাং নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈরিবা ষ্টেট অয়াম্বা চীংগী মফম ওইনা তৌবনা পৱারগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং পায়খৎপদা চাওনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরি। অদুবু লাইবক ফবা অমনা মায়কৈ অসোমদা লৈরিবা ষ্টেটশিং অসিদা মৈ মেগাৱাট কয়া পুথোকপা য়াবা মফমশিং লৈরি। মণিপুরখক্তদগী মৈ মেগাৱাট ২০০০ হেন্না পুথোক্নবা মফমশিং লৈরি।

ষ্টেট অসিগী ওইনা হৌজিক পাইপ ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

## ফেসবুক ৱেবসাইটতা খদ্রক তৌবা

# লুপা ১,৮৯,৫০০ লৌথোকখিবা মীওই ২ রাজস্থানদগী ফারুরে, পুলিস কষ্টদিদা লৌখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৮ (ঐচ এন এস) : ইম্ফাল এয়রপোর্টতা পোষ্টিং লৈবা সী আই এস এফকী ওফিসর শাশিন্নবদা নত্তনা শেমজিন শাজিনবা ‘বিকাস পটেল’ কৌবা মিং শীজিন্নরগা ‘পোত্থাফম ফেসবুক’ ৱেবসাইটতা মহাক ইম্ফাল এয়রপোর্টতগী ট্রান্সফর তৌরদুনা চৎকদৌরে। মহাক্কী ইমুংদা শীজিন্নবা পোৎলমশিং য়োন্থোক্লগনি হায়দুনা খদ্রক তৌবা এদভর্টিজমেন্ট সোসল মীদিয়াগী প্লেটফোর্ম অসিদা ফোঙদোরকপদগী থেংনরুদুনা হায়রিবা পোৎলমশিং অদুবু লৈহৌনবা ওর্দর তৌরুবা মীওই অমদগী থেঙ্খ্যাং ৮ লক্তা অপূনবা শেনফম লুপা ১,৮৯,৫০০ লৌথোকখিবদা চেন্নবা মীওই ২ মণিপুর পুলিসকী সাইবর ক্রাইম পুলিস ষ্টেসনগী পর্সনেল ৩না থা অসিগী ২৩দা রাজস্থানগী অলৱর দিষ্ট্রিক্ট তান্না চৎলগা মথংগী নুমিৎতা ফারগা ইম্ফালদা পুরকখ্রে।

সাইবর ক্রাইম পুলিস ষ্টেসনগী সব ইন্সপেক্টর এন ভুবোনচন্দ্র অমসুং গাংমৈ লানসাইলুং অমদি হেদ কন্সটেবল জামসোনমুৱান তুংলুটকী টিম অমনা অলৱর দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকা খূৎশম্নদুনা ফারবা মতুংদা দিষ্ট্রিক্ট অদুগী মরী লৈনবা কোর্টতগী থা অসিগী ২৪দগীনা ৩০ ফাওবা ট্রাঞ্জিৎ রিমান্দ লৌরগা পুরকখিবা মীওই অনী অদুগী মমিং জকর খান (২৫) অপোকপা হুরমট খান কৌই। রাজস্থানগী অলৱর দিষ্ট্রিক্টকী সদর পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা কক্রালি ভিলেজদগীনি। অতোপ্পা অমদুসু মফম অসিমক্তদগী হক্রু (২৯) অপোকপা ফাজ্রু কৌই হায়রি।

মখোয় অনীবু ঙসি মণিপুর পুলিসকী সাইবর ক্রাইম পুলিস ষ্টেসননা আই পি সী সেক্সন ৪১৯, ৪২০, ৩৪ অমসুং আই টি এক্টকী সেক্সন ৬৬ দিগী মখাদা লৌখৎপা কেসকা মরী লৈননা ...মখা লামায় ৩ কলম ১

# ডা. থিংনাম কিষনগী নীংশিং উপাল থাবগা লোয়ননা নীংশিং ব্লোক হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৮ (ঐচএনএস) : এলাইএন্স ফোর দিভেলপমেন্ট অলটর্নেটিভ মণিপুর (অদাম), ময়ায় লোয়শঙ ককচীং অমদি অঙান চিং ইকো পার্ক অনীনা শীন্দুনা ডা. থিংনাম কিষন ফাউন্দেসন (দি দি কে এফ) অমসুং মপারি নীংশিং লূপ (মনিল) গা পূন্না খূৎশম্নদুনা ককচীংগী অঙান চীং ইকো পার্কতা নীংশিং উ পাম্বী থাবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবা ডা. কিষনগী নীংশিং ব্লোক অমসু হাংদোকখ্রে।

নীংশিং উ পাম্বী থাবগী থৌরম হৌদোক্লদুনা থৌবালগী দেপ্যুটি কম্মিস্নর অহন্থেম সুভাসনা ফোঙদোকখিবদা লৈখিদ্রবা ডা. কিষন অসি অচুম্বা পাম্বা, থম্মোয় শেংবা মণিপুরগী মপারি অমনি। লাইবক থীবা থৌদোক অমদা মহাকপু হাৎতোকপীখ্রবসু মহাক্কী মীংদা উ থাবা অসিনা মাঙশিল্লক্লিবা ইকোলোজিকেল বেলেন্স অসিবু খরদা ওইরবসু কনবা ঙম্লগনি। মহাক লৈখিদ্রবসু মহাক্কী মঙলান অদু খজিক্তং ওইরবসু মতেং পাংদুনা মঙফাওনহনবা ঙম্লগনি হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা ডা. কিষনগী লোয়নবী থিংনাম ওংবী অথোকপম রোমিতানা ফোঙদোকখিবদা ঙসি পাঙথোক্লিবা থৌরম অসি ১৩শুবা ডা. কিষন মেমোরিএল লেকচরগী মহুত্তা নীংশিং উ পাম্বী থাবগী থৌরম ওইনা কম্মিটিশিংগা তান্নরগা পাঙথোকপনি। হৌজিক হোংলক্লিবা মালেমগী অঙৈং অশাগী ফীভম অসি কনবদা খজিক্তং ওইরবসু কান্নবা ফংনবগীদমক থৌরম অসি পাঙথোকচবনি ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

## HL Poll

Q : Ngamkheigi wathokta khannari, taknari haiduna leithokpana apamba pandam fangloi haibasi chumgadra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Leingakna chatharakliba War on Drugs campaign ahoba khara yaore haibasi achumba wapham oigadra?

Yes 100% No 0%

## অস! লোইরেহে!

- হার লৈরবরা সার?



- হংবদা লেপকনু খুরা।

# মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরবু সেন্ট্রেল য়ুনিভর্সিটি ওইহনবীনবা লৈঙাক্না তকশিনবীয়ু : মহৈরোয় লূপ ৬

ইম্ফাল, জুন ২৮ (ঐচএনএস) : মণিপুর অসি তোঙান তোঙানবা ফুরুপ কয়ানা পূন্না খুন্দামিন্নবা লমদম অমনি হায়রদুনা মহৈরোয়শিংগী লূপ তরুকনা মণিপুর অসি লৈবাক অসিগী সব কন্টিনেন্টশিং, সাউথ ইষ্ট এসিয়া অমসুং নোংপোক লমগী চৎথোক চৎশিন তৌবা গেটৱে অমা ওইনা অরিবা মতমদগী ওইদুনা লাকখি। মসিনা মরম ওইদুনা মণিপুর অসি মপান লমগী লৈবাক কয়াগা নাৎতা শম্নদুনা (কলচরেল কনেক্টিভিটি) লাকখিবনি হায়রি।

মহৈরোয়শিংগী লূপ তরুকশিং ওইরিবা অপূনবা ইমাগী মহৈরোয় শিনপাংলূপ (এইমস), ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু), দেমোক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এলাএন্স ওফ মণিপুর (দেসাম), কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন (কে এস এ), মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ) অমসুং ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ কংলৈপাক (সুক) কী প্রসিদেন্টশিং ওইরিবা মথংশিংনা এস ঐচ প্রেমচান্দ, ঐচ চলাম্বা, এল লময়ানবা মৈতৈ, এস বিদ্যানন্দ, কে ঐচ বিদ্যাসাগর অমসুং ধনকুমার নিংথৌজানা পূন্না খূৎয়েক পীবা চেরোল অসিনা মখা ...মখা লামায় ৩ কলম ২




# দ্রগ শুংবদা চেন্নবনি হায়বা নুপী ৩ য়াওনা মীওই ৫ ফাগৎলে

ইম্ফাল, জুন ২৮ (ঐচএনএস) : থা অসিগী ১৪দা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কম্মান্দোগী অপূনবা টিম অমনা মোইজিং মিনা কৈথেল মনাক্তা চলাইরম্বা ব্রাউন সুগর ফেক্টরি অমা থুগাইদুনা নুপী অমা ফাগৎলগা কোর্টতা পুথোক্তুনা থা অসিগী ২৯ ফাওবা পুলিস কষ্টদি লৌথদুনা ৱাহং পাউহং চথরকপদগী ব্রাউন সুগর শুংবগী থবক অসিদা চেন্নবনি হায়বা অতোপ্পা নুপী অনী য়াওনা মীওই ৫সু ফাগৎপা ঙম্লে হায়রি।

মথং মথং ওইনা ফাগৎলক্লবশিংদি থা অসিগী ২১দা থৌবাল ৱাংমা তাবদগী মোইজিংদগী এম দি তমিজুর রহমন এলিয়জ নিংথৌগী লোয়নবী বেমবেম (২৮), থা অসিগী ২২দা পোরোম্পাৎতগী থৌবালময়ূম অহমাদি বিবিগী মচানুপী জমজম (২২), থা অসিগী ২৩দা মোইজিং লৈঙোইজিলদগী ফাগৎখিবা কিয়াম ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

# কোভিদকী ফীভম উচিদা হজ্ঞিনগদৌরিব্রা এক্টিভ কেস মশীং ১৬ শুরে

ইম্ফাল, জুন ২৮ (ঐচএনএস) : অপূনবা দিষ্ট্রিক্ট ১৬কী মনুংদগী দিষ্ট্রিক্টশিং অসিগী সেম্পলশিং শুনা টেষ্ট তৌবা নৎত্রবসু য়ামদ্রবদা নোংমদা দিষ্ট্রিক্ট ১০ নৎত্রগা ১১গী চিংনবা সেম্পলশিং লৌদুনা চথরক্লিবা কোভিদ-১৯গী টেষ্টকী থবক্তা নুমিৎ কয়ানি চূপ্না পোজিটিভ কেসশিং থেংনদবদগী এক্টিভ কেসসু জেরোদা লৈরল্লবা মতুং খঙহৌদনা নুমিৎ খুদিংগী পোজিটিভ কেস মশীং ১, ২ অমসুং ৩গী চাংদা লেপ্তুনা থেংনরকপনা ঙসি নুংথিল ফাওবদা মণিপুরগী অপূনবা এক্টিভ কেসকী মশীং ১৬ শুখ্রে।

ঙসি নুংথিলগী হেল্থ দিপার্টমেন্টকী রিপোর্ট মতুংইন্না হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা অপূনবা দিষ্ট্রিক্ট ১৬কী মনুংদা দিষ্ট্রিক্ট ৯গী সেম্পলশিংদা বিষ্ণুপুর ২, চান্দেল ৪, ইম্ফাল ইষ্ট ৬, ইম্ফাল ৱেষ্ট ২৪, ককচীং ১, সেনাপতি ১, তেংনৌপল ২, থৌবাল ১ অমসুং উখ্রুলদগী সেম্পল ২৪গা লোয়ননা অপূনবা মীওই ৬৫গী সেম্পলশিং টেষ্ট তৌখিবদা পোজিটিভ কেস ২ থেংনরে হায়রি।

হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা থেংনখিবা পোজিটিভ কেস ২সি অমনা জে নিমসতা থেংনরগা অতোপ্পা অমনা টেষ্টিং সেন্টর অমদা থেংনবনি হায়রি। অদুবু মখোয় অনীমক ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টতগী নুপা ঙাক্তনি হায়রি। অদুম ওইনমক মখোয়গীদমক লৌখৎফম থোকপা মেদিকেলগী মাঙজৌনবা চেকশিন থৌরাংশিংগী মনুংদা কন্টেনমেন্ট অমসুং কন্টেক্ট ট্রেসিংনচিংবগী থবকশিং লৌখৎলে হায়রি।

মসিগা ইরোয়ননা ষ্টেট লেভেল কোভিদ-১৯ ...মখা লামায় ৩ কলম ২

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫